থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

কুরুক্ষেত্র অমদি পাউ-চে

কদায়দা, করম্বা লাইরিক্তা নৎত্রগা জর্নেলদা পারকখিবনো কাউখরে। ৰারীদুদি নীংশিংলি। খল্লি - মদু বেঙ্গলো-রদা, তাইমস ওফ ইন্দিয়াগী লামায় অমদা ওইরমগনি। মফমদুদা ঐনা নুংতিগী সূপশোয় শোয়দনা পাবা হায়রুরগদি মদুগী পাউচে অদুনি। মফম, মতম, তাঞ্জানা য়াদদুনা অইবা (ক্রিয়েতিব রাইতিং পামজবা) নুপা অমা মমীং চৎপা পাউচে অমগী জর্নেলিষ্ট ওইনা থবক তৌরম্মী। মহাক্কী খূৎই, রিপোর্তিং অপাবশিংনা খ্বাইদৈ পামজবা কোল্লম অমা ওইরক্লম্মী। মহাক, এদিতর অদুগী খ্বাইদৈ পামজবা রিপোর্তর ওইরকখি।

খঙহৌদনা, লৈপাক্তুগী লৈঙাক মখাদা লৈবা অথাপ্পা ঈথৎ অমদা সিভিল ৱার থোক্লকখি। লমদমদুদা মতম কুইনগী মমাংদগী নুংশি চান্নদা লৈমিন্নরকখিবা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা, চুম্মি-লাল্লি খঙদবা তোকঙা অমনা মরম ওইদুনা থোকখিবা মীশি-মীনা অমদগী চাউথোরক্তুনা সিভিল ৱারগী শক্তম লৌরকপনি। লানগী পাউ লৌরুনবা, অকূপ্পা পাউ লৌরগা মীয়াম্না পাম্না পানগদবা খূৎই অমা ইবা ঙম্বা করম্বা পাউমী থাগদগে খন্নরকপদা মাগী মীং পন্নরকই। থীন্দনা মহাক থাখরে। ঈথৎতুদা, লানগী পাউ ইরুনবা। ঈথৎ অদু য়ৌরগা, সমুদ্রগী ফজবা, মপান নাইদ্রবা ঈপাক্কা ঙমখৈ লৈত্রবা অতিয়াগা অনীগী উন্নফম উরুবা, পাক চাউরবা তাইবংদুদা, পীক্লবা ঈথৎ মচাদুদা, পীক্লবা থম্মোয়গী পীক্লবা ৱাখল ময়াম্না অচৌবা ৱাথোক ওইহল্লকপা ... পুন্নমক্তু খল্লুঙৈ, সমুদ্রগী তোর্ব্বানদা চীক্ল খাঙপোক অমদা, ঈপাক্তগী থোরক্ল গা ঈপাক্তুদা তাখিবা কোরৌদুবু য়েংদুনা, অথাপ্পদই তারকপা নোংমৈ মখোলনা তান্থা ওইরগা ঈশৈ শক্লিবা ঈথৎতুগী চেক্লাশিং ... ওন্থোকপা তাইবং অমদা লৈরুরে। লানগী পাউ ইরকপগী মহুত্তা, লাল্লক্তা থোকপা থৌদোকশিংদা য়ুস্ফম ওইবা উপন্যাস অমা ওইনা ইরক্লে। মাবু মপুক থাক্লিবা পাউ-চে অদু চৎনবা ৱারী ইবই মহুত্তা, মশামক্কী মথম্মোয় পেঞ্জনবা ইরুবই, মমীং লৈবা জর্নেলিষ্ট থবক্তগী লৌথোক্লে।

ৱারী অসি তারগা পূক্লিংদা করি ফাওবীবগে? জর্নেলিষ্ট অমা ওইনদি মহাক মথৌ মশক খঙদবা, চঙ ফংনা মায়থীরবা মীশক অমনি। হেক পারুবা মীকূপ্তুদা খনখিবনি। ঐতা নত্তে, অপাবা খুদিংনা ফাওগনি। অদুবু মহাক মায়থীরবা মীশক অমা হায়বদুদি নৎখিদে। পূক্লিংসিনা কন্না য়ানীংখিদে। খনখি - মহাক মফমদুবু, ফিবমদুবু, মীশিংদুবু য়াম্না কূপ্না য়েংখি। পাউ অদু, থৌদোক অদু অতোপ্পদা তম্লুবগী কান্নবনা করিনো, পাউদুনা মীওইবদা করি কান্নবা পীদৌরি? চুম্মী, মফমদুদা করি থোক্লিবা? করম্বা কাঙলুপকী মীওই কয়া শিরবা? অমাঙ-অতা, মৈহৌ লাংপোক কয়া য়াম্না থোকখ্রবা? থৌদোক্তুতা থোক্লবা, কনা খঙদ-উদনা ঈনশিল্লিবা লৈঙাক লুচিংবশিংনা করি করি হায়খিবা? মীয়াম্না তানীংবা পাউদুনা মদুনি। মদুগী অকূপ্পা পাউ লৌবা ঙম্বা, ইবা হৈবা পাউচেদুনি মীয়াম্না পাম্না লৈনবা! মদু মহাক পামখিদে। মহাক্না পামখি - থৌদোক্কী পাউ নত্তবা, থম্মোয়গী পাউ অদু মীওইবা খূদিংদা পাউ তম্বা!

মতাঙসিদনি জর্নেলিজমগী অরুবা থৌগায় অমা ওইরিবা। থৌদোক ৱাথোক, মীশি মীনা অমদি এক্সিদেন্টকী পাউ- জর্নেলিজমগী তাইবংনি। ফিলোজোফি অমসুং সাহিত্যগী তাইবংনা থৌদোক্তুগী-ৱাথোক্তুগী হৌরকফম।

অরিবা লেতিনগী পাউরৌ অমনা হায় ... 'মীওইবদি মহৌশানা মশানা মশাবু মীনমজবা, থাদোকপা ঙমদ্রবা হৈনবীনি।' ৱাহায়সি নীংশিংলুরগা খল্লকই - জর্নেলিষ্ট নৎত্রগা, সাহিত্য সূব অইবা- কনানা হেন্না মশানা মশাবু মীনম্বগে? চপ মান্নবা পাউ অমা (পোলিতিকেল্লি সেন্সিতিব ওইবা ইস্যু অমগী) তোঙান তোঙানবা পাউচে অমমমগী পাউমী অনীনা ইরকপদা পাবগী মহাউ মান্নদে। মরমদি, পাউচে অদুগী মপূ ওইরিবা 'ওনর' দুগী অপাম-পামদ পাউমীদুগী ৱাখলদগী তান্থোকপা ঙমদে। মরম অসিনা, কনাগুম্বা অইবা খরনা হায়, 'পাউচে অমদি অপাবা অনীগী মরী অসি মহাভারতকী (কুরুক্ষেত্রগী) লানফম ময়ায়দা কৃষ্ণ অমদি অর্জ্জুন অনীগী লৈনবা মরীদুনি।' লানফম ময়ায়দা লান্থেঙনরিবা অর্জ্জুনগী দোলায় থৌরিবা অমসুং মমায় চুক্লিবা 'কৃষ্ণ'- চুম্নগী অচম্বা 'নমু তাইবং মী' অমা ওইরমদে, সংসারসিদা থোক্লি-উরিবা পুম্নমকসিগী হৌরকফম অমদি লোইখিফম ওইরিবা 'তাইবং শেম্বা' ওইরম্মী।

লানফম ময়ায়দা চঙলগা লান শোক্লৌ য়াদ্রবা অর্জ্জুনবু মখূত্তা খুৎলায় পায়খৎহনখিবা, লান শোক্লহনখিবতা নত্তনা লানঙম ফিরাল পায়হনখিবনি 'কৃষ্ণ' না।

পুন্সি হায়বসি অচৌবা লাঞ্জাও অমনি, পুন্সিসিনা হিংলিঙৈ নোংমগী নুমিৎ খূদিংমকসি 'কুরুক্ষেত্র' অমমমনি। হায়রম্বনি কনাগুম্বা অফাওবা অমনা। মশক মমীং কাউখরে। অদুগুম্বা নোংমগী লানফম অদুদা ঐগী দোলাই থৌরিবা অমদি মমায় চুক্লিবা 'পার্থ-শারথি' (মরূপ দোলাইপাবা) দু ঐনা পারিবা পাউচে অদুনি। করম্বা পাউচে পারগা, করম্না লান থেংনগনি? অদোমগী অনীংবা অপাম্বনি। 'বিশ্ব-রুপ' কী শক্লোন লৌরিবা অদোমগী খোয়দাবা পাউচেদু ফোরতি ৱাট্টকী বল্ব অমগুম ঙানবরা, থাউজন্দ ৱাট্টকী শক্তিরা, কোরৌ নুমিৎমক'কুম্বরা? লেপচগদবনি ঈশানা। পাউচেগী রিপোর্তশিংবু 'স্তোরি' (ৱারী) কৌরিবগী মরম খঙইদনা! শেমজিনবা খরা, শাজিনবা খরা - মদু য়াওদনা ৱারী ওইবা য়াদেদনা! অদুনা মতম চূপ্পদা নীংশিংউ, শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়খিবদো ... 'পার্থ! অৱাবগী হৌরকফম, নুংঙাইবগী হৌরকফম - অনীমক ওইবা লানফমনি - 'কুরুক্ষেত্র'!

লৌশিং পুক্কে

খুৎনা চাক তোৎলগা চাবগী কান্নবা

থায়না মমাঙঙৈদগী হৌনা খুন্নাই অসিদা লৈবাক মখাদা নীংথিনা ফম্লগা চাক চাবগী চৎনবী লৈরকই। নীংথিনা খোঙ্গ্রাই চল্লগা নৎত্রগনা নীংগাং ফম্লগা চখোম চাউনা-চাউনা হুক্তুনা পূক থন্নবা চারম্মী। অদুবু নোংচুপলোমদগী শীৎচিল্লকপা অহোংবগী নুংশিংনা মরম ওইরগা দাইনিং টেবল মথক্তা চামচনা চাক চাবগী হৈনবী থম্নরক্লে।

নীংথিনা শেম-শারবা দাইনিং টেবল মথক্তা থম্লগা চামচনা কোৎতুনা চাবনা চাউখৎপগী মওংনি হায়না লৌনবগা লোয়ননা লু-নানবা অমসুং খুদোংচাবা হেল্লি হায়না মীওই অয়াম্বনা লৌনরি। লৈবাক মখাদা লৈতানা ফম্লগা খুৎনা চাক তোৎতুনা চাবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ হায়বা মীওই অয়াম্বনা খঙনদে।

বেদগী মতুংইন্না খুবীনা মৈনি, খুদোম্বীনা নুংশিৎনি, খুৎয়ায়না অতিয়ানি, খুৎনিংথৌনা মালেমনি অমসুং খুৎনাওবীনা ঈশিংনি হায়না হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা থাজনৈ। মরম অদুনা মৈ, নুংশিৎ, অতিয়া, মালেম অমসুং ঈশিংগী মশক ওইরবা খুৎশা মঙানা শোকপা মতমদা চীঞ্জাক্কী অফবা মতিক ময়াই হেনগৎহল্লি হায়না থাজনৈ। মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রবসু খুৎনা চাবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ।

খুৎশাগী নর্ভশিংনা চীঞ্জাক্তা থেংবা মতমদা চাগদৌরিবা চীঞ্জাক্কী অঙৈং-অশা চাং খঙবা মরম্না চীন-লৈ পোকহন্দে। মদুগীসু মথক্তা খুৎশাগী নর্ভশিংনা ব্রেনদা সিগনেল পীখিবদগী দাইজেষ্টিভ জুইস অমসুং এঞ্জাইমশিং মরাং কায়না থাদোরক্তুনা চাবা তুমহল্লি। করিগুম্বা চামচ নৎত্রগা ফোর্কনা চাবা থোক্লবদি চীঞ্জাক্কী অঙৈং-অশা চাং খঙদবা মরম্না চীন-লৈ পোকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্ল রকপা য়াই।

অমরোমদা, হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মফম, মরুওইনা খুৎ, চীন, খৌনাও, ইন্টেষ্টাইন অমদি দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমদা কান্নরবা বেক্টেরিয়া কয়ামরুম লৈ। মদুনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা লৈবা ফৎতবা মহীক মতাইশিং ঙাকথোক্লিবনি। খুৎনা চাক চাবা মতমদা অফবা বেক্টেরিয়াশিংগী মথৌ হাপকৎপা মরম্না ফৎতবা মহীক মতাইশিং চঙবা ঙমদে। তৌবগীবুদি চারম-থক্লমদাই অমসুং লোইরবা মতুংদা খুৎ-শা শেংনা হামদোক্কদবনি হায়বসি য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। অদুম ওইনমক খুৎ হান্বা তনবগীদমক চামচনা চাবদি কান্নদে হায়রি। খুৎনা চারবদি চীঞ্জাক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙবা ঙম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা মরূ য়াওরবসু মাঙজৌননা লৌথোকহৌনবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংই।

অমরোমদা, মীওইবনা টেবল চৌক্রিদা চাক চাবগী হৈনবী অমসু থম্নরক্লে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ফমুংদা ফম্বোই-হীপ্লোই তৌরগা টেলিভিজন য়েংনা য়েংনা চাক চাবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু থায়নগী ইপা-ইপু হাক্তক্তা চৎনরম্বা মতৌগুম লৈমায়দা নীংথিনা ফম্লগা চাক চাবনা ফবা হেল্লি হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙল্লে। চাকলুক মপালদা ফম্লগা চাক লৌখৎপা মতমদা হকচাংগী শরুক খরা মাঙলোমদা খজিক্তং নোনথৈ। চাক হুক্লগা শায়বা মতমদনা তুংলোমদা অমুক হন্দোরকই। মতৌ অসুম্না হকচাং লেংথোক লেংশিন তৌবা মতমদা চাকখাউগী মশলশিং এক্টিভেট তৌবা মরম্না চাবা তুম্নবা এসিদ মরাং কায়না থাদোরকই। মদুগীসু মথক্তা নীংথিনা লৈবাক মখাদা ফম্লগা চাক চারবদি ভেগস নর্ভকী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্মী। ভেগস নর্ভ হায়বসি চাকখাউদগী ব্রেনদা সিগনেল পীবগী মথৌ তৌরিবা য়াম্না মরুওইবা নর্ভনি। পূক থল্লে নৎত্রগা থন্দ্রি হায়বদুগী সিগনেল ভেগস নর্ভনা ব্রেনদা পীবনি। মরম অদুনা লৈবাক মখাদা নীংথিনা ফম্লগা চারবদি ভেগস নর্ভনা ব্রেনদা মতম চানা সিগনেল পীখিবা মরম্না হেঞ্জিন্না চাশিলহন্দে।

নীংথিনা খঙ-হৈরবা ন্যুট্রিসনিষ্ট রুজুটা দিৱেকরনা রিপোর্ট অমদা হায়খি মদুদি লৈমায়দা নীংথিনা ফম্লগা চাবা মতমদা চাগদৌরিবা চীঞ্জাক অদুগী মনম অমদি মহাউ নীংথিনা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা হেঞ্জিন্না চাশিলহন্দে। মথৌ তাবা চাংদগী হেঞ্জিন্না চাশিল্লবদি লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই।

জর্নেল ওফ প্রিভেন্টিব কার্দিওলোজিদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাক চারমদাইদা ফমথবা, চারিঙৈ মনুংদা হকচাং নোনখৎ-নোনথা তৌবা অমসুং চাকচা তোক্লগা হৌগৎপা মতমদা তোঙান তোঙানবা তাংশিং অমসুং মরুওইবা কয়াৎশিং লেংথোক লেংশিন তৌই। মদুনা মরম ওইরগা পুন্সি শাংদোকহনবদা মতেং পাংই। কনামত্তগী মতেং য়াওদনা মথন্তা লৈবাক মখাদা ফমথরগা চাক চাবা অমসুং চাক চাবা তোক্লগা মথন্তা হৌগৎচবা ঙমদ্রবদি মীওই অদু শিগদবা কুইশিল্লক্তবনি হায়রি।

অমরোমদা, মেক্রোবাইওটিক কাউন্সেল্লর শোনালি সভরৱালনা টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চাক চারিঙৈ মনুংদা ঈশিং খক থক্লোইদবনি। চাক চারিঙৈদা ঈশিং থক্লবদি তুমহন্দে। মদুগীসু মথক্তা ব্লদ সুগরগী চাং ৱাংখৎহন্দুনা দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লি। হকচাংগী অরূম্বসু হেনগৎহল্লি।

ইরেংবন্দগী লৌফম, ফার্মশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইরেংবন্দ খুঙ্গংগী লৌফম অমদি ফার্মশিং ঈশিং থুমজিনখিদুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে।

ওল ইরেংবন্দ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৌমানবী লৌকোল, লাইদগোল, মনিং লৌকোল অমদি লৌশি পাৎনচিংবশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঈশিং ঈনোৎ হেনগৎলক্তুনা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে। ঙায়োক ফার্মশিং লোয়না পাথোকখ্রে। লৌউশিংউবনা মপুং ওইনা হিংলিবা ইংরেবন্দগী মীয়াম কোক্তা খুৎ হাপ্লরে। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতেঙ পাঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ইথাই ফারমর্স এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক লমদম অসিদা লেপ্তুনা নোং চুরকপদগী কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈবা লাইখোং লৈকোল, ৱাঙু ফুমনোম লৈকোল, ৱাঙু তুসম লৌকোল, থম্নাপোকপী লৌকোল, খজিং খোনবী লৌকোল, কাইটেন পাৎ, খোনশম পাৎ, নাপৎ অৱাং তুরেল মপান লৌকোল, বোরায়াঙবী লৌকোল, ৯২ চাইরেন লৈঙাংতাবী লৌকোল, শন্দঙখোং লৌকোল, হাওতক ৱাঙু কৈরক লৌকোলশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে।

লৌমীশিংনা কুম অমগী চানবনি হায়দুনা কন্না হোৎনজখিবা লৌফমশিং ঈশিং থুমজিনখিবদগী শিবা য়াওশিল্লকপনা মীপায়নরে। ইথাই ৱাপোকপী, কুম্বী, নোংমাইখোঙ অমদি খোর্দাক্লচিংবদা ঙাগী ফার্মশিংদা ঈশিং পাশিল্লকপদগী ফার্মশিং অয়াম্বা ঈশিংনা থুমখ্রে। অৱাবা তারবা ঙামী অমদি লৌমীশিংগী খনবীদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতেঙ পাঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

টেঙ্কর ড্রাইভর গ্যানেশ্বর মীশি থিগৎপীনবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : ওইল টেঙ্কর ড্রাইভর লুক্রাম গ্যানেশ্বরনা থা অসিগী ৭ কী অয়ুক্তা গোলাঘাটতা শিদুনা লৈরম্বা অসিগী মতাংদা থিগৎপীয়ু হায়না ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর ড্রাইভর য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি, য়াইরিপোক পি এসকী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈথেলদগী ওইল টেঙ্কর ড্রাইভর লুক্রাম গ্যানেশ্বর জুনগী অরোয়বা চয়োলদা ইম্ফালদগী তিনসুকিয়াদা পেট্রোলিয়ম লৌনবগীদমক চৎখিবনি। থা অসিগী ৭ কী অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা অসাম পুলিসকী মায়কৈদগী লুক্রাম গ্যানেশ্বরগী ফেমিলিদা মোবাইলদা ফোন তৌরক্তুনা গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এ এস টি সী মনাক্তা গ্যানেশ্বর শিনা ফঙলে হায়না খঙহল্লকখি। মহাক্কী মীশি অসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওই। মকোক, থবাক অমদি মখুৎতা শোকপগী মফমসু লৈরম্মী। মহাক্কী ফেমিলিনা মহাক্কী ফোনদা কন্টেক তৌবা মতমদা অসামী লোল ঙাংবা নুপা অমনা রিসিপ তৌরকখি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি অসামদা মমাংদসু য়াম্না থোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা অসাম লৈঙাক্তা থম্বীদুনা মীশি অসিগী মতাংদা থিজিনবীনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু পল্লি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর্স ড্রাইভর্স য়ুনিয়ন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই ভুপেনচন্দ্র ঘোশনা চেয়র লৌদুনা শঙাকফম বাজারদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা কন্দোলেন্স মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা টেঙ্কর ড্রাইভর গ্যানেশ্বর লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা তিনখিবশিংনা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি। ওইল টেঙ্কর ড্রাইভর লুক্রাম গ্যানেশ্বর অপোকপা লৈখিদ্রবা টিজেন্দ্র মীশি অসিগী মতাংদা মণিপুর অমদি অসাম লৈঙাক্লা অথুবদা থিজিনবীনবসু য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী দিমান্দ তৌরি হায়না ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর ড্রাইভর্স য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

মনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : য়ুথ ওর্গনাইজেসন খাগেমপল্লি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ঙরাং নুংথিল লাইময়ুম হরিদত্তগী মান্দপতা অফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা এৱার্দ পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

য়ুথ ওর্গনাইজেসন খাগেমপল্লিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা নেসনল এৱার্দি টিঐচ তোম্বী, ৱাই ও কেগী প্রসিদেন্ট এন বিপিন, রিটায়ার্দ লেকচরর এম জয়দেব, রিমসকী ডা. থোইদিংজম বিজয়, ৱাই ও কেগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কে তোম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফঙলক্লবা মহৈরোয়শিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

পব্লিক টৌইলেট কমপ্লেক্স থুগায়রক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর সোসল সর্ভিস ওর্গনাইজেসন (এম এস এস ও) না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ঙারী গল্লি হায়না খঙনবা মফম অসিদা চলায়বা পব্লিক টৌইলেট কমপ্লেক্স থা অসিগী ৮ গী নুমিদাংদা থুগায়রক্লে হায়না এম এস এস ওগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পব্লিক টৌইলেট কমপ্লেক্স অসি দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমত্তনা খঙহল্লম্বা তৌদনা শাথিবা ফিভমদা য়োৎকী সট্টর অমদি উগী থোঙ থোঙনাওশিং থুগায়দুনা ফক্কায়রগা লংথোক্লক্লে। থৌদোক অসিগী মতাংদা সিটি পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট অমা লানখৎখ্রে।

টৌইলেট কমপ্লেক্স অসি কম্মিস্নর মাহুদ অমদি এম এস এস ও হায়রিবা এন জি ও অসিগা চহী ২০ গী ওইবা এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা পে এন্দ ইয়ুজ তৌদুনা চল্লায়রকপনি। টৌইলেট কমপ্লেক্স থুগায়রম্বা অসিনা এন জি ও অসিদা নুংনাংবা পোকহল্লে। মীয়াম্না টৌইলেট অসি শীজিন্নবদসু য়াম্না অকায়বা অমা ওইহল্লে। অসিগুম্বা পামদবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু মণিপুর সোসল সর্ভিস ওর্গনাইজেসন্না থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

নফসাগী মতাংদা ককচিং খুনৌগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে: ফোরম

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী মতাংদা ককচিং খুনৌগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে হায়না ককচিং খুনৌ য়ুথ ফোরমগী প্রসিদেন্ট খুমুকচম প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা খরগী চেঙ মাঙখিবগী থৌদোক খরা লৈবদগী নফসাগী কার্দ পায়বা মীওইশিং অমদি কে কে ৱাই এফকী থৌমীশিং পুন্না মাঙখ্রিবা চেঙশিং ফঙহনবীয়ু হায়না এজেন্টশিং অমদি মসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা মীদিয়াগী খুথাংদা মীয়াম মাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

খোঙজং অসি চঙশিন্দ্রিঙৈ মমাংদা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লরশিং অমদি এজেন্টশিং পুন্না মীফম অমা ককচিং খুনৌ য়ুথ ফোরমগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা ককচিং খুনৌ বাজার মান্দপতা ফম্মিন্নখি।

মীফম অদুদা য়ুথ ফোরমগী মীহুৎশিংবু এজেন্ট অমদি কাউন্সিল্লরশিংনা মপুং ফানা ৱাখল তাহনবীরক্তবদগী মখা তানা চঙশিনবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ককচিং খুনৌ বাজারদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। মসিদি চম্না মরম চাবা অমদি দেম্মোক্রেটিক ওইবা খোঙজং অমা ওইনা চঙশিনখিবনি। মসিদা লোকেল এম এল এবু হুনবা অমদি ইকায়খুম্নবা শোকপা য়াবা ৱাফম অমত্তা ফোরমনা হায়খিবা লৈতে। হীরম অসিগী মতাংদা ঙরাং ককচিং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এম এল এনা মহাকপু করিগীদমক মীংচৎ থিনবা শীল্লিবনো হায়না ফোঙদোকখিবা অসিনা তাকপদি এম এল এসু থা খরগী চেঙ মীয়ামদা ফঙহন্দবা অসিদা য়াওরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রি।

লুচিংবা অমা ওইনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীদনা ৱাকৎচরিবা মীওইশিংবু নমথনবা হোৎনবা এম এল এগী ৱাখলবু ফোরম্না ঙক্তবা ঙমদে। মীওই খরনা লান্না তৌরকপা অমদি য়েংশিনফম থোকপা য়েংশিনবীরক্তববু য়েংশিনবীনবা ৱাকৎচববু য়েক্লবা ওইনা উবা অপীকপা ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মীয়ামগী চেঙশিং অদু থিগৎপা অমদি ফঙহনবা হায়বসি মীয়ামগী লুচিংবা এম এল এনা তৌফম থোকপনি। ফঙহনবীদে হায়জরুবা ফোরমদা মরাল শীনবা হোৎনবা হায়বসি এ সী অসিগী লুচিংবা অমা ওইনা এ সী অসিগী লাইবক থিবনি হায়নসু ককচিং খুনৌ য়ুথ ফোরমগী প্রসিদেন্ট খুমুকচম প্রেমকুমার মৈতৈনা খুৎয়েক পীদুনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এল এল ৱাই সী ইনফোর্মেসন সেন্তর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : তেরা লুক্রাম লৈরক্তা লৈবা লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লব (এল এল ৱাই সী) গী ইনফোর্মেসন সেন্তর অমা ক্লব অসিদা ঙরাং হাংদোকখ্রে। এল এল ৱাই সী ইনফোর্মেসন সেন্তর হাংদোকপগী থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সীগী এম এল এ এ কে মিরাবাই অমসুং লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সোইবম রনবিরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ এ কে মিরাবাইনা হায়খি, ক্লব অসিনা খুন্নাইগী য়াইফন্নবা তোঙান তোঙানবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবগীদমক ঙসি ইনফোর্মেসন সেন্তর অমা হাংদোক্লিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি।

পাৎশোই এ সীগী ওইনা হৌখিবা চহী মঙাদা পায়খৎপা ঙম্লমদবা থবকশিং অদু লাক্কদবা চহী মঙা অসিদা পায়খৎননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মণিপুর অসি হৌজিক অরুবা ফীভমদা লৈ। হীরম খুদিংদা অৱাৎপনা থল্লি। শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তি মতম য়াম্না চঙই অদুবু য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক্তি পুংজা খরদা পাঙথোকখিবা য়াই। মরম অসিনা মমাঙগী লৈঙাক্লা শারম্বা ময়াম অদু থুগাই য়ৈখাইরগা কন্সত্রক্তিভ ওই হায়বা য়ারোই। অনৌবা লৈঙাক অসিনা অনৌবা পোলিসি য়াৎতুনা তুংগী মীরোলগী য়াইফনবা থবক পাঙথোকপা চুমগনি । ক্লব অসিনা পীশিল্লক্লিবা মেমোরেন্দমদা পল্লক্লিবা ৱাফমশিংসু য়ারিবমখৈ থবক্তা ওন্থোক্ল বা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চীফ সেক্রেটরি শিন্দোকপগী য়াথং ককউ : ইকল

ইম্ফাল, জুলাই ১০ : মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি শিন্দোকপগী ওর্দর খুদক্তা ককউ হায়না ইরমদম কনবা অপুনবা লূপ (ইকল)না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদমসিগী লৈহাওদা চাউখিবা ওইনাম নবকিশ্বরগী মহুত্তা রিটয়ার্দ তৌগদবা থা ৩ খক্তমক ঙাইরবা আর আর রশ্মিবু চীফ সেক্রেটরি ওইনা হাপচিল্লকপা অমসুং ও নবকিশ্বরবুনা ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেল ওইনা হাপ্পগী য়াথং থোকখিবা অসি মরম চাদে। ও নবকিশ্বরদগী থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌরগে হায়রিবদু ঈকায়বদগী তৌবা ওইগনি। নংহৌররোই মতাগুম মণিপুর লৈঙাক্লা ও নবকিশ্বরনা থবক্তগী পোথারগে হায়রিবদুদা অয়াবা পীথোকখিবদু কন্দেম তৌই।

ও নবকিশ্বরনা চীফ সেক্রেটরি হেক পায়বগা মণিপুর মীয়ামগী ঈহুল খঙনা ঙসি ফাওবা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। করিগুম্বা স্কেন্দল অমত্তদা চেন্নখিদ্রি। মহাক চিংমী-তম্মী খায়দবা মীশকনি। চূড়াচান্দপুরগী থৌদোক লোইশিন্নবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং য়াখি। নবকিশ্বরগুম্বা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা মথৌ তৌখিবা চীফ সেক্রেটরি অমত্তা লৈখিদ্রি। মহাক্কী মরাল শুংপী পীদনা ঙমই মতাগুম চথরকখিবা থৌওং অসি পেন্নদে। লৈঙাক্লা থোক্লিবা ওর্দর অসি মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না নত্তে। লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরগা চিনবান্দা খোইহি তৈরগা থবক তৌবা শাংনা কৈদৌঙৈদা চৎপা হৌনদে। ৱাথোক অসিগী মতাংদা মখল মখা কয়াগী খোঙজং লাকপদা লূপ অসিনা হনবা লৈতনা মতেং পাংনবা অমদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি প্রসিদেন্টতা হায়জনবা শেম শারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহৈরোয়শিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস) : য়ুঠ প্রোগ্রেসিব ক্লব, ৱাইখোংনা শীন্দুনা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজামিনেসনদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ৱাইখোং অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লাইশ্রম অঙৌনা প্রিসাইদ তৌখি। পূন্না মহৈরোয় নিপানদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগা লোয়ননা শেলগী মনা অমসুং সর্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, ৱাইখোং ফোরেষ্ট বিদ ওফিসনা শীন্দুনা বনমহোটসবকী থৌরম নুমিৎ হুম্নি চুপ্না পাঙথোক্তুনা উ চারা ৩০০ লোম ৱাইখোং অৱাং লৈকায়গী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থাখ্রে হায়রি।

NEWLY [illegible] OPENED
SCHOLAR HOME GIRL'S HOSTEL
KEISHAMPAT LAISOM LEIRAK MACHIN
T.G. HIGHER SEC. SCHOOL -গী ছাত্রীশিংগীদমক অখন্নবা HOSTEL অমা হাংজরে। HOSTEL অসিনা FEE তানা লৌবা অমদি মমিং লৈরবা ওজাশিংনা SUBJECT শুনা COACHING পীবা য়াওনা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীজরি।
FACILITIES :
- Under CC TV Surveilance
- Homely Care Food
- Sound Academic Atmosphere
- 24x7 Electricity & Water
- Lady Warden & Security Guard
- Separate Reading & Bed Room
- All Subject Experience Teacher
FEE ₹ 3,300/- per month
No Deposit & Admission Fee
LIMITED SEAT
Contact No. ☎ 7085798348
FULL A.C. READING ROOM
HL-P/1974/2to14 Jul.